
# কিল্লর রোবোটকী মতাংদা শান্নখিবা ৱারীগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদ্রে : য়ু এন




জেনেভা, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : মীয়াম্না কিল্লর রোবোট হায়রগসু খঙনরিবা লিথেল ওটোনোমস ৱিপন সিষ্টেমগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শিন্দুনা জেনেভাদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লৈবাকশিংগী মরক্তা খেন্নবা ৱাখল্লোন কয়া লৈবনা মরম ওইরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদ্রে হায়না য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা খন্নবা মথৌ তাই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জেনেভাদা ঙরাং লৈবাক ১২৫ গী মীহুৎশিং য়াওনা লিথেল ওটোনোমস ৱিপন সিষ্টেমগী মতাংদা খন্নখি। অদুবু লৈবাক ৫০ হেনবনা মসিগী থবক অসি পামদ্রি। মসিনা তুংদা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং পীরকপা য়ানা লৈ হায়না ফোঙদোক্লুখি। লৈবাক ৩০ রোম্না লিথেল ওটোনোমস ৱিপন সিষ্টেমগী মতাংদা অনৌবা লো অমা শেমদুনা মখা তানা থবক পায়খৎনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লুখি। মালেমদা তোঙান তোঙানবা মখলগী খুৎলায়শিং পুথোকখ্রে। অদুবু মেছিননা মেছিন কন্ট্রোল তৌহনবা খুৎলায় অমা পুথোক্তুনা মালেমদা লৈহনবা হায়বসি খুদোংথিনিঙাই ওইরক্কনি হায়না মীওই কয়ানসু হৌখিবা চহী খরগী মমাংদগী ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

ঙরাংগী মিফম অদু পাঙথোক্লিঙৈদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মীয়াম্না লিথেল ওটোনোমস ৱিপন সিষ্টেম দিবলপ তৌদনবা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। অমরোমদা লিথেল ওটোনোমস ৱিপন সিষ্টেম দিবলপ তৌবনা মালেমগী চাওখৎ খোঙথাংদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈবাকশিংগী ওইনদি মখোয়গী ফিরেপ্তা হৌজিকসু অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাখল্লোন লৌবগী থবকশিংসু অথুবা মতমদা পায়খৎনবা হোৎনরগনি হায়না মখা তাখি।

# য়ু এস কেপিটোল এটেকতা চেন্নবা ট্রম্পকী সপ্পোর্টর অমা চহী ৫গী জেলগী ফাদোক পীখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : চহী অসিগী জানুৱারী ৫ দা য়ু এস কেপিটোলদা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী সপ্পোর্টরশিংনা এটেক চথদুনা পুলিস ওফিসরশিংদা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখিবা অদুদা মরুওইনা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা চহী ৫ গী জেলগী ফাদোক পীখ্রে হায়রি।

রোবর্ট স্কোট পালমর (৫৪) না নুমিৎ অসিদা অমেরিকান ফিরাল য়েকপা জেকেট অমা লিৎখি। অদুগা মহাক্কী লাইবক্কী শরুক্তা ফ্লোরিদা ফোর ট্রম্প হায়না থাবা ফি অমসু কিখি। হায়রিবা মীওই অসিনা কেপিটোলগী মপান্দা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা পুলিস ওফিসারশিংদা ফয়ার এক্সটিঙ্গুইসর অমদি অতোপ্পা পোৎশকশিং লঙশিন্দুনা এটেক তৌখি। তুংদা কেপিটোল মনুংদা মহাক্না নম্ফুদা চঙশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু মফম অদুদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পিপর স্প্রে শিজিন্নদুনা মীয়াম অদু মফমদুদগী তান্থোকখি। মতম অদুদা পালমরনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিং উৎপা ভিদিও অমা থেংনখ্রবা মতুং মহাকপু ফাদোক পীখিবনি।

ভিদিও অদুদা পালমরনা পুলিস ওফিসরশিং তম্না নুঙ অমদি চেক্তুম্নচিংবা লেপ্পা লৈতনা লঙশিনখি। কেপিটোলদা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিস ওফিসরশিংনা পিপর স্প্রে অমদি রবর বুলেটশিং




কাপখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপথোরকখিবা রবর বুলেটনা পানবদগী পালমরসু শোকখি। রবর বুলেটনা পাল্লবা মতুংদা মহাক্না মখা তানা পুলিস ওফিসরশিংদা এটেক তৌবগী থৌওং লেপখি হায়রি।

অমরোমদা পালমরনা মতম অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদু মীওই খরনা ইনশিল্লগা থোকহনখিবনি। ৱাখল খন্থবা তৌদনা দোনাল্ড ট্রম্পপু সপ্পোর্ট তৌরদুনা ইলেক্টোরেল প্রোসেস অদুবু অয়েৎপা পীনবা হোৎনখিবনি। অদুবু মখোয়না থাজরুরিবা মীওইশিং অদুনা ওইনা মখোয়দা মীনল্লমখি। অশোয়বা অসিগীদমক ঙাকপীনবা মহাক্না কোর্টতা হায়জরকখিবা ৱাফম অদুবু ফেদরেল জজ টানয়া চুটকাননা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা চহী ৫ গী জেলগী ফাদোক পীখিবনি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ৭০০ রোমদা চার্জ তৌখিবনি। চার্জ তৌখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অনীদি হান্না থা ৪১ গী জেল ফাদোক পীখ্রবনি হায়রি।

# ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট শন্দোকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি : দব্লিয়ু এচ ও

জেনেভা, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা মালেমগী লৈবাক ৮৯ দা চৈথেং পীবা হৌখিবগা লোয়ননা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী চাংসু কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবগী মতম ওইরে হায়রি।

ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লিবা অসি হান্নগী ভেরিয়েন্টশিংদগী মপাঙ্গল কনবা হেনবনরা নৎত্রগা মীওইবগী ইম্যুন সিষ্টেমনা ইরায় লায়না থিংবা ঙমদবগীরা হায়বগী মতাংদসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হিরম অসিগী মতাংদা মালেমগী মমিং লৈরবা সাইন্টিষ্ট কয়ানা অকনবা মওংদা থিজিনবগী থবকশিং চথুরি।

মমাং থাগী ২৬ তা ইহান হান্না থেংনখিবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মী শিহনবগী মশিং য়ামদ্রি। মীশি মীনা থোকহন্দে হায়দুনা লায়না লায়চৎ অসিবু তরায়না লৌরবদি তুংদা খূদোংথিবা কয়া থোরকপা য়ানা লৈ। মরম অদুনা মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎনবা হোৎনগদবনি।

সাইন্টিষ্টশিংনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিগী মতাংদা কন্না থিজিল্লবসু হৌজিক্কী ওইনদি অকুপ্পা ইনফোর্মেসন ফংবা ঙমদ্রি। অমদি ভেক্সিন দোজশিং মপুঙ ফানা কাপথোকখ্রবা মীওইশিংদসু লায়না লায়চৎ অসিনা ইনফেক্ট তৌহনবা ঙম্বনা মরম ওইরগা লৈবাক খুদিংমক্তা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টননা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চৈথেং পীরকপা য়াই হায়রি।

হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনখ্রে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী থৌদোক ৱাথোকশিংনা মী শিহনবগী চাং য়াম্না ৱাংলি। কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎখক্তা নত্তনা মহৌশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা মীওইবা খুন্নাইদা অকনবা চৈথেং পীরি। মসিদগী ঙাকথোক্লবসু মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না অপিল তৌখি।

# ইন্দোনেসিয়াগী মাউন্ট সেমেরু অমুক হন্না পোখায়রক্কদ্রা হায়না মিপাইনরি

জকারটা, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা মৈগী চীংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা অমা ওইরিবা মাউন্ট সেমেরু পোকখায়রক্তুনা মীওই ৪৮ শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা শোকহনখিবগী অৱাবা কোক্ক্রিঙৈ মরক অসিদা মৈগী চীং অসি অমুক হন্না পোকখায়রকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মীপাইবা পোক্লরি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী জিওলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ৪ দা খঙহৌদনা মৈগী চীং অসি পোকখায়খ্রবা মতুং মদুদগী চেন্থোরকপা মৈ মহী অমদি অশাবা উৎশিংনা চীং অদুগী অকোয়বগী শরুক কয়া শিজিন্নবা য়াদনা লৈহনখ্রে। করিগুন্থা অমুক হন্না মাউন্ট সেমেরু পোকখায়রক্লবদি অনৌবা মফমশিংদসু শোকহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। মরম অদুনা চীং অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা অমদি মিটর ৪০০০ লাপ্পা মফমদা মতম খরগী ওইনা লৈনবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী মিনিষ্টর ফোর ইনর্জি এন্দ মিনরেল রিছোর্স অরিফিন টসরিফনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লুবা মরম্না লৈবাক অসিদা মতম খরগী ওইনা মাইনিংগী থবকশিং তৌবদা অথিংবা থল্লে। মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈগদবনি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা মাউন্ট সেমেরু পোকখায়রকপদগী মীওই ৪৮ শিহনখিবগা লোয়ননা ১০০ হেন্না শোকহনখি। হায়রিবা অশোকপশিং অদুগী মনুংদা ২০ দি মৈনা কা হেন্না চাকপদগী হৌজিকসু অরুবা ফিভমদা লায়কন্নদুনা লৈরি। মসিদা নত্তনা য়ুম ৫,২০০ হেন্নসু চীং অদুদগী পাইথোরকখিবা অশাবা উৎ মপৈশিং অমদি মৈ মহীনা মাঙহন তাকহনখিবগী অৱাবা কোক্ক্রিঙৈ মরক অসিদা মৈগী চীং অসি অমুক হন্না এক্টিব ওইখৎলকপা হায়বসি চীং অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক থিবনি। মখা তানা খুদোংথিবা অসি থোকহল্লক্তনবা য়াম্না চেকশিন্না লৈসি হায়না অপিল তৌখি।

# গ্যাস পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিরে

করাচি, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : পাকিস্তানগী পোর্ট সিটি ওফ করাচিদা ঙসি খঙহৌদনা গ্যাস পোকখায়রকপগী থৌদোক্তগা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, করাচিগী মনুং চনবা শের শাহদা লৈবা বিল্ডিং অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। গ্যাস অদু মতৌ করম্না অমদি করম্বা ফ্লোরদা পোকখায়খিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু পোকখায়খিবা অদুনা মরম ওইরগা মথোল অনী ৱাংবা বিল্ডিং অদুগী থোঙ অমদি থোংনাউজী মচেৎ মকায়শিং অকোয়বদা চায়দুনা তাবা মীয়াম্না উন্নখি। বিল্ডিং অদুগী অকোয়বদা খামদুনা থম্বা কার অমদি মোটোরসাইকল কয়াসু অমাঙ অতা থোকখি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১২ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌবা ঙমখ্রে। অদুগা ১৩না শোকপদগী গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা পুখত্তুনা হৌজিক হৌজিক লায়েং চথুরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ২ গী ফিভম লুনা লৈরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোকখায়বগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। মরাল লৈবা মীওইশিং ফাদুনা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌগনি হায়রি। পনবা য়াবদি পাকিস্তানদা গ্যাস সিলিন্দর পোকখায়বগী থৌদোক অসি য়াম্না তোয়না থোক্লি। মসিদা নত্তনা বিল্ডিংশিং শাবদা চেকশিন দবনা মরম ওইরগা নিংখায়বগী থৌদোকশিংসু তোয়না থোক্লি।

# কোবো অমসুং ৱালদিয়া টাউন খুদুম চনবা ঙমখ্রে

অদিস অবাবা, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) রেবেল গ্রুপশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লাকখিবা টাউনশিং গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লকখিবগা লোয়ননা মখা তানা রেবেল গ্রুপ অসিবু লৈবাক অসিদগী মপুঙ ফানা তান্থোকখিনবা অহেনবা ফোর্সশিং টিগ্রে রিজন্দা থাজিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়না ফেদরেল গভর্নমেন্টকী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কোবো অমদি ৱালদিয়া টাউন মপুঙ ফানা খুদুম চনবা ঙমখ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর অবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রেবেল গ্রুপ অসিনা লৈবাক অসিদা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরি। মসি থিংনবগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী অঙন্থা থাক্তা হোৎনগনি হায়রি।


## BEFORE THE OATH COMMISSIONER: MANIPUR AT IMPHAL

**/ AFFIDAVIT**

I, **Deejoy Kumar Sagolsem,** aged about 65 years, S/o (L) Sagolsem Amuyaima Meetei, a resident of Naoremthong D.C. Road, Imphal West District, Manipur, do hereby take Oath and solemnly affirm as follows:-

1. That my correct name is **Deejoy Kumar Sagolsem** and the same is recorded in my Aadhaar Card, being No. 8638 4276 3553 and PAN Card, being No. MQNPS9883G. This is true to my knowledge.

2 That is the Electoral Roll of 17-Lamsang Assembly Constituency, being EPIC No. GJM0218107, my name has been recorded as *Sagolsem Deben Mangangcha,* whereas my name is also known as *D.K. Sagolsem* in short form. This is true to my knowledge.

3. That the above named **Deejoy Kumar Sagolsem,** *Sagolsem Deben Mangangcha* **and** *D.K. Sagolsem* are one and same person. This is true to my knowledge.

Verified that the contents made in the above paras No. 1 to 3 of my affidavit are all true to the best of my knowledge and belief and nothing false is stated. I hereunder put my signature on this 15th day of December 2021 at Imphal.

By: **Y. Sanatomba Meetei**
Advocate, (B.Sc. LL.B)
Konjeng Leikai, Imphal-I

Signature of the Deponent.
**D.K. Sagolsem**

**K. Manorama Devi**
Oath Commissioner, Imphal West
Dist. Sessions Court Complex
Regd.No. 457 of 2021

HL-P/0975/19

## BEFORE THE OATH COMMISSIONER: MANIPUR AT IMPHAL

**/ AFFIDAVIT**

I, **Henna Nongthombam,** aged about 30 years, D/o Nongthombam Ibohanbi Meitei and W/o Sagolsem Kolsen Mangangcha, a resident of Khurai Chingangbam Leikai, at present residing at Naoremthong D.C. Road, Imphal West District, Manipur, do hereby take Oath and solemnly affirm as follows:-

1. That before my marriage my name has been known as **Henna Nongthombam** and the same is recorded in my Aadhaar Card, being No. 5308 7699 4052, PAN Card, being No. AJSPN5861B and Driving License being No. MN-012040033004. This is true to my knowledge.

2 That after marriage to Sagolsem Kolsen Mangangcha my name is known as **Sagolsem (O) Henna Leima** and the same is recorded in my Voter Identity Card, being EPIC No. CTN0365965. This is true to my knowledge.

3. That the above named *Sagolsem (O) Henna Leima* and **Henna Nongthombam** is one and same person. This is true to my knowledge.

Verified that the contents made in the above paras No. 1 to 3 of my affidavit are all true to the best of my knowledge and belief and nothing false is stated. I hereunder put my signature on this 15th day of December 2021 at Imphal.

By: **Y. Sanatomba Meetei**
Advocate, (B.Sc. LL.B)
Konjeng Leikai, Imphal-I

Signature of the Deponent.
**Henna Nongthombam**

**K. Manorama Devi**
Oath Commissioner, Imphal West
Dist. Sessions Court Complex
Regd.No. 457 of 2021

HL-P/0976/19

**ADMISSION OPEN**

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7330/3-31(alt)

**CAS Centre for Advanced Studies** No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

ADMISSION IS GOING ON
SPECIAL FOUNDATION COURSES

OBEYING SOP FOR COVID-19 PANDEMIC

CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Mathematics, Science & Social Science)

Special features:
- Special Concession for all Students.
- Qualified &Experienced Faculties.
- Exam. Oriented Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam.
- Vision for toppers in 2022.

Seats are Limited First Come First Served

Morning Batch (5.30– 8.30) A.M.
Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available

For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction,Imphal. (Mayai Lambi Road Machin.)

HL-B/7346/9-18



1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET



2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM

ADMISSION OPEN

- MEDICAL & ENGINEERING course for 2021-2022
- FOUNDATION CUM REVISION course for CLASS X & XII
- NEW FOUNDATION course 2022 (HALF/FULL COURSE OPTIONAL) for CLASS X, XI & XII

CLASS STARTS: *16 DEC 21 , 22 DEC 21 , 10 JAN 22*

ALL SUBJECTS | BOSEM/COHSEM/CBSE
SCIENCE & ARTS | CALL: 8730999192, 03857966211

HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST

HL-P/0870/9/12-9/01

## GOVERNMENT OF MANIPUR PUBLIC WORKS DEPARTMENT

/ TENDER NOTICE NO:- 60
Dated/Imphal, the 16th December, 2021.

The undersigned invite tender in PWD Form – 7/8 on behalf of the Governor of Manipur from the Electrical license contractors enlisted in PWD enrolment list & authorized agents of Manipur who have self registered with Taxation department (Income Tax / GST) Government of Manipur up to 30th December, 2021 up to 3.30 PM.

| Sl. No. | Name of work | E/Cost | E/Money | Cost of T/Form | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Impvt. of IEI i/c replacement of MCCB's in the SDC office at Parbung i/c solar compound lighting. | Rs. 11,27,690/- | Rs. 22,554/- | Rs. 500/- | 30 days |
| 2. | Maintenance of IEI in the SDO office at Zaphou. | Rs. 5,21,275/- | Rs. 10,426/- | Rs. 500/- | 15 days |

The tender will be opened by the undersigned on 30th December, 2021 at 4.00 pm in the presence of the tendered or their authorized representatives. The contractors should submit application for purchase of tender form on or before 27/12/2021.

The tender form will be issued on production of Contractor enlistment with fixed Earnest Money / Demand Draft / Banker's Cheque / Deposit certificate of PWD, Manipur. The term & condition and tender form can be had from the office of the undersigned up to 4.00 PM of 28/12/2021 during the office hour.

The undersigned is not bound to accept the lowest tender and reserves the right to accept all or any part of the tender or to reject all or any part of the tender without assigning any reason thereof.

Sd/- **Executive Engineer, Electrical Division No. II. PWD, Manipur.**

HL-B/7370/19

## GOVERNMENT OF MANIPUR PUBLIC WORKS DEPARTMENT

/ TENDER NOTICE NO:- 61
Dated/Imphal, the 16th December, 2021.

The undersigned invite tender in PWD Form – 7/8 on behalf of the Governor of Manipur from the Electrical license contractors enlisted in PWD enrolment list & authorized agents of Manipur who have self registered with Taxation department (Income Tax / GST) Government of Manipur up to 30th December, 2021 up to 3.30 PM.

| Sl. No. | Name of work | E/Cost | E/Money | Cost of T/Form | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Impvt. of IEI i/c replacement of existing fixtures by energy saving lamps & MCCB's DB in the EE, PWD, Divisional office at Chandel i/c solar compound lighting. | Rs. 11,27,690/- | Rs. 22,554/- | Rs. 500/- | 30 days |
| 2. | Maintenance of IEI in the SDO office at Chakpikarong. | Rs. 5,21,275/- | Rs. 10,426/- | Rs. 500/- | 15 days |

The tender will be opened by the undersigned on 30th December, 2021 at 4.00 pm in the presence of the tendered or their authorized representatives. The contractors should submit application for purchase of tender form on or before 27/12/2021.

The tender form will be issued on production of Contractor enlistment with fixed Earnest Money / Demand Draft / Banker's Cheque / Deposit certificate of PWD, Manipur. The term & condition and tender form can be had from the office of the undersigned up to 4.00 PM of 28/12/2021 during the office hour.

The undersigned is not bound to accept the lowest tender and reserves the right to accept all or any part of the tender or to reject all or any part of the tender without assigning any reason thereof.

Sd/- **Executive Engineer, Electrical Division No. II. PWD, Manipur.**

HL-B/7371/19

## GOVERNMENT OF MANIPUR PUBLIC WORKS DEPARTMENT

/ TENDER NOTICE NO:- 63
Dated/Imphal, the 17th December, 2021.

The undersigned invite tender in PWD Form – 7/8 on behalf of the Governor of Manipur from the Electrical license contractors enlisted in PWD enrolment list & authorized agents of Manipur who have self registered with Taxation department (Income Tax / GST) Government of Manipur up to 27th December, 2021 up to 3.30 PM.

| Sl. No. | Name of work | E/Cost | E/Money | Cost of T/Form | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Improvement of IEI i/c Solar compound lighting and CCTV Camera system in the DLO office 4 Nos. Block - A, B, C, D occupied by DC Office, SP Office, Treasury Office, Statistics Office at Chandel in connection with incoming State Assembly Election-2022 (SH:- IEI works). | Rs. 77,49,993/- | Rs. 1,55,000/- | Rs. 1,500/- | 2 months |
| 2. | Construction of Qtr. T//IV 1 no., T/III 3 nos. & T/II 2 nos. at Mualnuam TD Block. | Rs. 12,98,969/- | Rs. 25,979/- | Rs. 500/- | 30 days |

The tender will be opened by the undersigned on 27th December, 2021 at 4.00 pm in the presence of the tendered or their authorized representatives. The contractors should submit application for purchase of tender form on or before 23/12/2021.

The tender form will be issued on production of Contractor enlistment with fixed Earnest Money / Demand Draft / Banker's Cheque / Deposit certificate of PWD, Manipur. The term & condition and tender form can be had from the office of the undersigned up to 4.00 PM of 24/12/2021 during the office hour.

The undersigned is not bound to accept the lowest tender and reserves the right to accept all or any part of the tender or to reject all or any part of the tender without assigning any reason thereof.

Sd/- **Executive Engineer, Electrical Division No. II. PWD, Manipur.**

HL-B/7369/19